

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, DECEMBER 31, 2017 PAGE 7




*মথং চহীগী অহৌবা গ্রান্দ স্লাম ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা ন্যু জিলেন্দ ওপনগী টাইটল লৌননবা হোৎনরিবী দেনমার্ককী কেরোলিন রোজনিয়াকি*

*ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট রঞ্জি ট্রোফি ফাইনেলগী পুৱারীদা অনীরকশুবা বোলর ওইনা হেটট্রিক ফংখিবা ভিধরবাগী বোলর রজনিস গুরবানি*

## প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু পোইন্ট ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে



*অহমেদবাদস্মাস মাষ্টর্সকী সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকখিবা প্রনোই*

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ*

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টাই অমদা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু পোইন্ট ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা সিরি ফোর্দ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিগী ৭শুবা টাই অমদা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা হায়দরবাদ হন্টর্সপু পোইন্ট ৪–৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টাই অসিগী অহানবা ওইনা লম্বা তৌনখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা অহমেদবাদগী পেয়র কামিলা রাইটর জুল অমদি লি চুন হৈ রিগিনাল্ডনা হায়দরবাদ হন্টর্সকী পেয়র পিয়া জেবাদিয়া বর্নাদেথ অমদি স্বাটৱিকসারাজ রানকি রেদ্দিবু ৪–১৫, ১৫–১২, ১৫–৮ দা থোইদুনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা হায়দরবাদ হন্টসপু পোইন্ট ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা হায়দরবাদ হন্টর্সকী ৱার্ল্ড নম্বর ১৮ লি হ্যুন ইলনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সকী শান্নরোই সৌরব বর্মবু ১৫–৯, ১৫–১১ দা থোইদুনা অহমেদবাদকী অহানবা পোইন্ট অমা ফংদুনা মখোয়গী একাউন্ট হাংদোকখি।

হায়দরবাদ হন্টর্সকী ৱার্ল্ড নম্বর ৪৯ সৌরব বর্ম হৌবদগী হৌনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সকী লি হ্যুননা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা গেম ৮–২ দা মাঙজিল থারম্বদগী ১৫–৯ দা গেম অদু লোইশিনখিবনি। অনীশুবা গেম অদুসু লিনা পোইন্ট ৬–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরমখিবা অদু বর্মনা কন্না হোৎনদুনা ১০–১২ ফাওবা পোইন্ট নকশিনহনখি। অদুবু ৱার্ল্ড নম্বর ১৮ গী শান্নরোই অদুগী মশান্নদা বর্ম উপায় লৈতদুনা ১৫–১১ দা মায়থিখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা হায়দরবাদ হন্টর্সনা মখোয়গী ষ্টার প্লেয়র কেরোলিনা মারিন পোথাহল্লগা রাসিকা রাজে শান্নহনবদা অহমেদবাদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই টাই ঝু য়িং গী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা ১৫–৫, ১৫–৬ তা মায়থিবা নংখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা মেটচতা অহমেদবাদকী ঐস এস প্রনোইনা হায়দরবাদকী বি সাই প্রনিথবু ত্রম্প মেটচতা ১৫–১০, ১৫–৮ দা থোইদুনা পোইন্ট ৪–১ দা হেন্দুনা লৈখিবনি।

হায়দরবাদ হন্টর্স পোইন্ট ১–৪ দা শোত্থদুনা লৈরিঙৈ টিম অদুগী নুপাগী দবলসকী মার্কিস কিদো অমসুং য়ু য়িওং সিওংনা অহমেদবাদকী কিদম্বি নন্দগোপাল অমসুং লি চুন হৈবু ত্রম্প মেটচতা ১৫–১৪, ১৫–১১ দা লৈদুনা পোইন্ট ৩–৪ দা মায়থিদুনা মমাঙদা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বা হায়দরবাদ হন্টর্স অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সকা টাই অনী লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৮। ৮ মান্নরবসু অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা টেবলগী মকোক ওইরি।

## মার্সেলিনোগী হেটট্রিক্কা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিবু এফসি পুনে সিটিনা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং পুনে সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*পুনে, দিসেম্বর ৩০ঃ*

হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি পুনেদা লৈবা শ্রী শিব সত্রপতি স্পোর্টর্স কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু ক্লব এফসি পুনে সিটি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী লম্বা অদুদা য়ুম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী মার্সেলিনোনা চনখিবা হেটট্রিক অদুনা নোর্থ ইষ্টপু মখোয়না পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখ্রে।

এফসি পুনে সিটি ঙসিগী মেটচ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট ১২ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি টিম ১০ গী কম্পিটিসন অদুদা পোইন্ট ৪ খক ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

শান্নবগী অঙনবা শরুক মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা এফসি পুনে সিটিগী মায়কৈদগী মোহমদ কুরুনিয়াননা ক্লব অদুগী একাউন্ট হাংদোক্কুনা নোর্থ ইষ্টপু হেন্দুনা চৎখি।

লীগ অসিদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি মমাঙগী মেটচ ৬ শান্নবদা শুপ্নগী মেটচ অমখক মায় পাক্লগা মেটচ ৪ মায়থিদুনা অদুগা মেটচ অমা দ্রো চৎলগা ফিভম শোক্তুনা লৈরিবনি। টিম অসিগী ওইনদি লীগ অসিদা হাইগৎলক্লবা ঙসিগী মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদবা অমা ওইখি।

নাকল অমরোমদা এফসি পুনে সিটি মেটচ ৭ শান্নবদা ৪ থোইরগা ৩ মায়থিদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মখোয়সু টেবল অসিগী মকোক থংননা হোৎনবদা মায় পাকপা পামখি।

অহানবা হাল্ফকী ২৮শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী মায়কৈদগী মার্সেলিনোনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। হাল্ফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মার্সেলিনোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা এফসি পুনে সিটি মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অহুম হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মখোয়গী হোৎনজমন পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা শান্নবগী মতম লোইগদবা মিনট ৪ খক ঙাইশিল্লকখি। তাঞ্জা অদুদা মার্সেলিনোনা মহাক্কী হেটট্রিক চন্দুনা পুনেগী পাঞ্জল ৪ শুখি। মেটচকী ৮৮শুবা মিনটতা অদিল খাননা ৫শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদু পুনে সিটি এফসিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

## হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী গ্রুপ (বি) গী মেটচশিংদা য়ুএসএনা রুশিয়াবু মেটচ ২–১ দা থোইখ্রে, স্বিজরলেন্দনা জপানবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*হোপমেন কপ টেন্নিসতা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু মায়থিবা পীবা ঙমখিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*

*পর্থ, দিসেম্বর ৩০ঃ*

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিং ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হোপমেন কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি) গী মেটচশিংদা য়ুএসএনা রুশিয়াবু মেটচ ২–১ দা থোইখ্রে। অমরোমদা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দনা জপানবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুএসএ অমসুং রুশিয়াগী লম্বাদা অহানবা ওইনা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা য়ুএসএগী কোকো ভান্দৱেগিনা রুশিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

য়ুএসএ অমসুং রুশিয়ানা লম্বা তৌখিবা হোপমেন কপ অসিগী অনীশুবা ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা য়ুএসএগী জেক সোকনা রুশিয়াগী কারেন খাচানোভবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেট অদু য়ুএসএগী জেক সোকনা রুশিয়াগী কারেন খাচানোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা রুশিয়াগী শান্নরোই খাচানোভকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্থুনা শান্নরকপদগী য়ুএসএগী জেক সোককী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোম্না ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা য়ুএসএগী জেক সোকনা রুশিয়াগী খাচানোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবদগী য়ুএসএনা রুশিয়াবু মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

য়ুএসএ অমসুং রুশিয়ানা লম্বা তৌনখিবা হোপমেন কপ অসিগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী মেটচ অমদা রুশিয়াগী পেয়র অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভা অমসুং কারেন খাচানোভনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগি অমসুং জেক সোককী পেয়রবু ৩–৪(৩–৫), ৪–১, ৪–২ দা থোইদুনা টাই অদু য়ুএসএনা রুশিয়াবু মেটচ ২–১ দা মায় পাকখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা লৈবাক অনীগী টাই অমদা স্বিজরলেন্দনা জপানবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা জপানগী নাওমি ওসাকাবু ৭–৫, ৬–৩ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচতা স্বিজরলেন্দগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই রোজর ফেদররনা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা রুশিয়ানা জপানবু মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

স্বিজরলেন্দ অমসুং জপানগী টাই অসিগী অরোইবা ওইনা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী মেটচতা স্বিজরলেন্দগী পেয়র রোজর ফেদরর অমসুং বেলিন্দা বেন্সিকনা জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং য়ুইচি সুগিতাগী পেয়রবু ২–৪, ৪–১, ৪–৩(৫–১) দা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অদুগী টাই অদু স্বিজরলেন্দনা জপানবু মেটচ ৩–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

## টাটা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ভাম্ব্রি শান্নরগনি

*মুম্বাই, দিসেম্বর ৩০ঃ*

মহারাষ্ট্র টাটা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রিনা অতোপ্পা ইন্দিয়া মচা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকখিবা আর্জুন খাদেগা লম্বা তৌনরগনি।

মালেমগী নুপাগী সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা ১১৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা য়ুকি ভাম্ব্রিনা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা চেন্নাইদা পাঙথোকখিবা এটিপি ২৫০ ইভেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা পুনে চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ভাম্ব্রিনা লৌবা ঙমখি। লোয়ননা বেঙ্গালুরু ওপনদা মহাক সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি চহী ২৫ শুরবা ভাম্ব্রিনা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নান্টেতা ফ্রান্সকী শান্নরোই গেল মোনফিল্সপু মায়থিবা পীখিবনি।

টাটা ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন স্পেন মচা রোবার্টো বোটিষ্টা আগুত অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংগনি হায়না চাউনা আশা তৌরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদগী শান্নবা হৌগদৌরি।

## ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তুনা কম্মনৱেল্থকী ট্রাইয়েল ওইগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩০ঃ*

হরিয়ানাগী রোটক সিটিদা জনুৱারী ৬ তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা মথং চহীগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ট্রাইয়েল সেলেক্সনসু ওইরগনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না রোটক্কী নেসনে চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা কম্মনৱেল্থ গেমস অমসুং মথং চহীগী ওগষ্ট থাদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনগদৌরিবা বোক্সরশিং খনবগী টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্তর ওইরিবা সান্টিয়াগো নিএভা, নুপীগী বোক্সরশিংগী ফোরেন এক্সপার্ট ওইরিবা রাফেল বর্গমাস্কো অমসুং নুপীগী বোক্সিংগী হেদ কোচ ওইরিবা সিব সিংহসু শরুক য়াগদৌরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা রোটক্কী নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা মেম্বর য়ুনিট ৩৫ দগী বোক্সর ৩০০ রেজিষ্টার তৌরে হায়রি।

## ইটালিগী সেরি এ গী মেটচশিংদা এসএসসি নাপোলিনা ক্রোটোন ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, এসি মিলান অমসুং ফ্যুরেন্টিনা ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*ক্রোটোনবু মায়থিবা পীবদা এসএসসি নাপোলিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা মারেক হামশিক (য়েৎ)*

*রোম, দিসেম্বর ৩০ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ১৯শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা এসএসসি নাপোলিনা ক্রোটোনবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা লীগ অসিগী ১৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসি মিলান অমসুং ফ্যুরেন্টিনা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

এসএসসি নাপোলি অমসুং ক্রোটোননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা এসএসসি নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা হেন্না এটেক তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা এসএসসি নাপোলিগী শান্নরোই মারেক হামশিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ক্রোটোনবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থরিবা ক্রোটোনগী মায়কৈদগী এসএসসি নাপোলিগী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

এসএসসি নাপোলি অমসুং ক্রোটোননা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নবা হৌরকখি।

টিম অনীনা য়াম্না অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু এসএসসি নাপোলিনা ক্রোটোনবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরি এ গী টেবলদা অদুম্মক মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙল্লি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ১৯শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা এসি মিলান অমসুং ফ্যুরেন্টিনা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ অদুদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নশিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জিওভানি সাইমোননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এসি মিলানবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা এসি মিলানগী মায়কৈদগী এটেক হেন্না তৌশিল্লক্তুনা শান্নরকপদগী ৭৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই হাকান কালহানগ্লুনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

## স্মিথকী সেঞ্চুরিনা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মরিশুবা টেষ্ট মেটচ দ্রো চৎহনখ্রে



*মেলবর্ন, দিসেম্বর ৩০ঃ*

থা অসিগী ২৬ তগী মেলবর্নদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নরকপা এসেস সেরিজগী মরিশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্টেন ষ্টিভন স্মিথনা আওট ওইদনা রন ১০২ লৌদুনা মেটচ অদু দ্রো চৎহনখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা রন ৩২৭ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৪৯১ লৌদুনা ১৬৪ হেন্দুনা লাকখিবনি।

ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ওপনর এলিষ্টর কুককী আওট ওইদনা য়াম্না ফজনা লৌখিবা রন ২৪৪ না খ্বাইদগী মরুওইবা ইন্নিংস ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা কেমরুন বেনক্রোফ রন ২৭ তা ঙন্না আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা উসমান খৱাজাসু রন ১১ দা আওট ওইদুনা কেপ্টেন ষ্টিভন স্মিথ শান্নবা চঙলকখি।

ওপনর ৱার্নর অমসুং মহাক্না টিম অদুগী স্কোর অদু ১৭২ ফাওবা পুখৎলকখি। ৱার্নর মশাগী রন ৮৬ তা আওট ওইখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৩ দা রন ১৭২ লৈখি।

নৌনা চঙলকপা সোন মার্চ শুপ্নগী রন ৪ দা আওট ওইদুনা রন ১৭৪ দা ৱিকেট ৪ তুখি। অদুবু ২২শুবা ওভরদা চঙলকখিবা স্মিথনা বোল ২৭৫ খাঙদুনা রন ১০২ লৌখিবা অদু য়াম্না মরুওইখি। মহাক্কী পার্টনর মিচেল মার্চসু আওট ওইদুনা বোল ১৬৬ তা রন ২৯ লৌদুনা আওট ওইদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখিবনি।